হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং এন জি টিগী ৱাফম থৌওইদ্রে হায়না কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল,মে ১৫ (এস এন এস) ঃ হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং নেসনেল গ্রিন ত্রিব্যুনেল (এন জি টি)না সেকমাই তুরেলদগী নুঙ লৈঙোই পেকথোকপা য়ারোই হায়না ওর্দর তাদুনা অথিংবা থমখ্রবসু মদু থবক ওইনা ওন্থোকত্রে হায়না সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিতি অমসুং এদভান্স ব্রুমেন সোসাইতি অৱাং সেকমাইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি সেকমাই বাজারদা সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিতি অমসুং এদভান্দ ব্রুমেন সোসাইতি অৱাং সেকমাইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এদভান্স ব্রুমেন সোসাইতি অৱাং সেকমাইগী প্রসিদেন্ট অঙোম ওংবী শান্তিনা হায়, সেকমাই তুরেলদগী নুঙ লৈঙোয় পেকপগা মরী লৈননা মে ১৩ দা পুলিসনা ফাগৎখিবা জে সি বি অহুম পুলিসনা ফাজিনবগী হক লৈরমদ্রে হায়দুনা থাদোক্লবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি।

সেকমাই তুরেলদা জে সি বি শিজিন্নদুনা নুঙ লৈঙোই পেকথোকপগী থবক চথবনা মরম ওইরগা তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লে। ফিভম অসিদগী কন্নবগীদমক এদভান্স ব্রুমেন সোসাইতি অমসুং সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিতিনা হোৎনরিবা পুন্নমক অসি অরেম্বা তাহল্লে।

তুরেলগী ঈশিংসু কংথরকপা মতমদা গুহাগী ঈশিং শিজিন্নরম্বা সেকমাইগী মীয়াম গুহাসু ঈশিং কং শিল্লকপগী ফিভম অমা লাকপদগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে। গুহা কংবা অসিগী মপুং ওইবা মরমশিংগী মনুংদা জে সি বি শিজিন্নদুনা নুঙ লৈঙোয় কোংথোকপদা গুহাদগী তুরেলগী খোঙনুংনা লুথখিবা অসি অমনি।

মসিদা নত্তনা সেকমাই তুরেলদা পাট্টা তাশিনলক্লিবা কয়া অসি থিংনবা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপীনবা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিনখি। লৈঙাক্লা সেকমাই তুরেল কন্নবা থবক লৌখৎপীদুনা অসিগুম্বা থবক থৌরম কয়া অসি থিংবিদ্রবদি সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিমি অমসুং এদভান্স ব্রুমেন সোসাইতিগী মায়কৈদগী বন্দ ৱ্লোকেদ য়াওনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি।

সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিতিগী মায়কৈদগীসু কম্মিতি অসিনা এদভান্স ব্রুমেন সোসাইতিগা খূৎশম্নরগা কুমজা ২০১৩দগী হৌদুনা থবক কয়া লৌখৎলক্লি। নুঙ লৈঙোই পেকথোকপনা মরম ওইরগা তুরেল অসিগী মহৌশাগী শক্তমদা চাউনা অকায়বা পীদুনা লাক্লি।

মসি য়েংলগা লূপ অনী অসিনা সেকমাই তুরেলদগী নুঙ লৈঙোয় পেকপীদনবা হায়জবা লৈখ্রে লোয়ননা পুলিসতসু মসিগুম্বা থবক চথবা মীওইশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চংবীনবা হায়জখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং এন জি তি গী ওর্দরগী মতুংইন্না সেকমাই তুরেলদা নুঙ লৈঙোয় পেকপশিংবু থিংবিনবা হায়জখিবগা লোয়ননা অইবা চেরোল পীশিনবদগী মে ১৩ দা পুলিসনা জে সি বি ৩ ফাজিনখি।

জে সি বি ফাজিনবা অদুদা সেকমাই প্রোটেক্সন কম্মিতি অমসুং ব্রুমেন সোসাইতিগী মায়কৈদগী থবক লৌখৎপীরকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লুবা মীকুপ্তা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সিনা পুলিসনা নুঙ লৈঙোয় পেকপগী জে সিবিশিং অদু ফাজিনবগী ওঠোরিতি ওইরমদ্রে, এফ আই আর চনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপা অসি লাইবক থিবনি।

মসিগী হিরম অসিগী মতাংদা থিগৎপদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং কোর্টস নুঙ লৈঙোই পেকথোক্লিবশিংগী ওঠোরিতি নত্তে হায়না ফোঙদোক্লকপা অসিনা সেকমাই তুরেল কনবীনবা ওঠোরিতি অমত্তা লৈত্রব্রা হংখি। তুরেলদগী নুঙ লৈঙোই পেকথোক্লিবা অসি কনানা থিংবিগনি হায়খি।

মণিপুর ফ্লদ প্লেন জোনিং এক্ত ১৯৭৮ না পীরিবা তুরেলদগী নুঙ লৈঙোই লৌথোকপা লোনা য়াদে হায়বা ৱাফম অসি করম্বা তুরেলদা য়াবনো, করম্বনা য়াদবনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু হায়খি।

ত্রিনামুল কোংগ্রেস থৌওংগী মায়োক্তা বি জে পিগী ৱাকরশিংনা ইম্ফালদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

BHARATIYA JANATA PARTY, MA PUR PRADESH

ইম্ফাল,মে ১৫ (এন এন এস)ঃ ১৭ শুবা লোক সভা মীখলগী ৭শুবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ঙরাং বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহগী রোদসোদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা শিন্দুনা ইরাং থোকহনখিবা থৌওং অদুগী মায়োক্তা বি জে পিনা লৈবাক শীনবা থুংনা ৱাকৎ মীফম চথখিবগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা লৈঙাক অসিদা ৱার্ক্স অমসুং রুরেল দিভলপমেন্টকী মিনিষ্টরসু ওইরিবা টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অসি লৈবাক শিনবা থুংনা শিনবনি।

ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি। দেমোক্রেসিগী মখাদা তাঙ্কক কয়া থোক্লা মীখল পাঙথোক্তুনা লাক্লি। বেঙ্গলদদি মীখল খুদিংমক্তা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী কাঙবুনা অতৈ অতৈ পোলিটিকেল পার্টিগী মীওইশিংবু কিহন খঙহনবগী থবক চথবা, হায়নিংবা ৱা হায়হন্দবা, মীবু ওৎ নৈবগী থবক চথরি। মসি দেমোক্রেসিগী মায়োক্তনি অমসুং মসি লেপকদবনি হায়খি।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ফংহনগদবনি হায়বসি বি জে পিগী দিমান্দনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা চথহন্দনবা হোৎননবা তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অসি চথবনি।

ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু মপুং ওইনা ত্রিনামুল কোংগ্রেকী কাঙবু অসি নিংবা কায়রকপদগী থোকখিবনি। কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা বি জেপি অমখক কাই। অদুবু ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা কল্লে হায়রিবা অৱাংথংবা বেঙ্গল য়াওনা অতৈ মফমদা ত্রিনামুল অসি নমথরগা বি জে পিনা হেন্না ৱাংখৎলকপা , নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্তা থাজবা হেল্লকপা লোয়ননা কুইনা সি পি আই এমনা নমশিন্দুনা থন্নম্বা অদু ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা মখা শমথরকপা অসিদগী নিংতম্বা ফংনবা মীয়াম্না বি জে পিদা মায় ওনশিন্নরকপনি।

ফিভম অসি উরকপদগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা লাক্লিবা মে ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ত্রিনামুলনা বি জে পিগী ৱার্করশিংদা অকি তুজুংবা কিহন খংহনবগী থবক চথরকপা অসি বি জে পিনা য়ারোই হায়না লেপ্পগা লোয়ননা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা মীওইবা অমা ওইনা ফংফম থোকপা রাইট অদু ফংহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম অসি চথবনি হায়খি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা এগ্রিকলচর অমসুং ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ান, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিং অমসুং ওফিস বিয়ারর কয়াশু শরুক য়াখি।

কংলৈ ইমা লূপকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী ইমা অমা ওইরিবা কংলৈ ইমা লূপ (কিল)না শাফোঙলকখিবা চহী ৯ ফারকপগী মপোক কুমওনগী থৌরম লূপ অসিগী থৌমীশিংনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নেস্নেল এন্দ ইন্টরনেস্নেল এৱাদী ইবোতোম্বী খুম্নন, য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমেন্দ্রো অমদি কংলৈ ইমা লূপ (কিল) গী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহন্বীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা কিলগী জেনরেল সেক্রেটরী এস স্মোচানা হায়, কংলৈ ইমা লূপ অসি ইং কুমজা ২০১১ গী মে ১৫ দা ইরমদম অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা ইমা খরখক্লা শেমখিবনি। মতমদুগী সিভিল সোসাইটি অমগী লৌফম থোকপা রোলশিং অদু মায়পাক্লা লৌবা অমদি হিকথরবা খূন্নাই অসিবু চাওখৎপগী মায়কৈদা খুমাঙ চাওশিনহনবগী পান্দমদা চঙশীন্দুনা লাক্লি। লূপ অসিগী মপোক কুওন লাকপা খুদিংগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা ঙমজবা মতেং কয়াসু পাঙদুনা লাক্লি। লোয়ননা মরাইবক থিহৌরবা নুপী মচাশীংদসু অঙম্বা শেলগী মতেংনচিংবা পাঙদুনা লাক্লি। হন্দক্কী ৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিগীসু মাঙওইন্না মে ১৩ দা মোং শাংগৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা ফীরাল অমসি অচা–অথক কয়াসু খুদোল তমখি।

মহাক্লা মখাতানা হায়, অদু লৈতাদ্রবা লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক কয়াদা কিলনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ত ১৯৫৮ কী ময়োক্তা অমদি ইন্নর লাইন পারমিট চংনহন্নবা চঙশিনবা খোঙজংদা লমদমসিগীদমক থৱায় থাবা কিন্দনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। হন্দক্তা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম পুন্না সি এ বিগী ময়োক্তা চঙশিনখিবা ইহৌদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়ারকখি। কিল অসি নুপীশিংগী ওইবা লূপ অমা ওইবনা নুপীগী হক কন্নবা অমদি নুপীদা হন্থনা য়েংবশিংগী ময়োক্তসু মীৎয়েং চঙগনি। ফুরুপ অমা মতিক মঙাল লৈনা থন্না তারবদি নুপী ঐখোয় অৱাংবা থাক্তা লৈবা হায়বসি কংলৈ ইমা লূপকী অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোকখি। প্রসিদিয়ম মেম্বরগী ৱারোল পীরদুনা য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমেন্দ্রোনা হায়, কংলৈ ইমা লূপ অসি য়াম্না থৌনা লৈবা ইমা কয়ানা লমদমসিগীদমক করিগুম্বা খরা তৌগে হায়না শাফোঙলক্লবা মতুং লমদমসিগী লুরবা ইশু কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়ানা মাগী–মাগী নক্লবা মীওইশিংগী মতেং পাঙবরোমদা চংনবদগী মচেৎ–মচেৎ তান্নবগী ফীভম অমা লাক্লিবসি লাইবক থীবনি। ৱাখল্লোন চপ মানন্দুনা খোঙফম অমতদা লেপমিনদুনা ইশু কয়া থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। মতমদুদা ইশু কয়া মতম চানা গ্লোব তৌবদা মতেং ওইগনি হায়খি। থৌরমদুদা কংলৈ ইমা লূপ (কিল)গী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা হায়, কংলৈ ইমা লূপনা অতেনবা মতমসিদা লমদমসিগী অঙম্বা থৌদাং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুপী ওইবিশিংনা নুপী ওইবিশিংগী খূন্নাই কন্নবা থোক্লক্লিবা অসি লমদমসিগী নুপী ওইবিশিংদা চৎথরিবা মীওৎ–মীনৈ অসি খাঙবা ঙম্মক্তবগীনি। মীয়ামগী ওইনা চোংথোরক্লবা লূপ ওইবনা মতম–মতমগী ইশু কয়াদসু শরুক য়াদুনা লাক্লিবনি। নুপীশিংদা হন্থনা য়েংবিবা কয়া অসিগী শাফনবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হোৎনবীফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি। কিলগী মপোক কুমওনগী থৌরমদুদা তোঙান–তোঙানবা সিভিল ওর্গনাইজেসন্না শরুক য়াদুনা ৱাফম কয়া অমসু ফোঙদোকখি।

কেঠৌলিক স্কুলগী ফাদর অমনা চহী নৌরিবী মহৈরোইদা মশা শোকপগী ৱাকৎ লাক্লেঃ কে সি পি

ইম্ফাল,মে ১৫ (এস এন এস) ঃ কেঠৌলিক স্কুল কাঞ্চিপুরদা লৈবা ফাদর অমনা পীক্লিবা মহৈরোই নুপীমচা অহুমদা মশা শোকপা মানবা থৌওং চথরে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি–মিলিটরি কাউন্সিল(কে সি পি–এম সি)দা ৱাকৎলক্লে হায়রি।

লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী কম্মরেদ লনচেনবা মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়,তোঙান–তোঙানবা অহল অহুম্না লূপ অসিদা হকথেংননা পাউ পীরকপদগী লূপ অসিনা হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিগৎনবা ৱারেপ্পুরে।

ৱাথোক অসি য়াম্না হকচিনবা (সেন্সিটিভ) ওইবা ৱাথোক ওইবা ফিভমশিং কয়া লৈ। অহানবা মরাল লৈবনি হায়না মরাল শীরিবা অসি মপাল লমগী মীতোপ ওইবনিনা অহেনবা ৱাফম ময়াম অমা ফোঙদোক্লুবদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা য়াবা লৈ,অনীশুবদা লাইনিং (রিলিজস)ওইনা লান্না চৎনখিবা য়াবা ৱাফম লৈ,অহুমশুবদা পীক্লিবা অঙাং ময়াম্না মহৈ তম্বা মফম ওইবনিনা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা মতমদা মশীং য়াল্লবা অঙাংশিংদা ফজদবা মমি তাখিবা য়াবগী অকিবা অদু লূপ অসিদা ফাওই।

মরম ময়াম অসিনা লূপ অসিনা ৱাথোক অসি তরেৎ–তরা থোক্লা ৱাখল খন্থরবা মতুংদাখক্তা থবক খুদিংমক্কী পোমিৎ খঙগনি।

কেঠৌলিক স্কুল অসিনা ককশাবী শাদুনা অঙাং ময়াম অমা লান্না মিং চনবগী ৱাথোক অমা থোকখ্রিবনি। ৱাথোকশিং অদুনা মরম ওইরগা স্কুলদা বোম লংশিনহন্নবগী মচাক ফাওবা ওইখিবনি হায়রি। কে সি পি–এম সিনা কেঠৌলিক এডুকেসনেল সোসাইটিদা শীখিবা মরাল হায়বদি অরানবা মওংদা অঙাংশিং মিং চল্লে হায়বদু অচুম্বনি হায়বদু হৌজিক্তি কংলৈপাক্কী মীয়ামদা য়ূখল হায়দোকপা ঙমখ্রবনি। অসুম্না অঙাং ময়াম অমা লান্না মিং চলহনখিবসি কেঠৌলিক স্কুলগী ওঠোরিটি মনুংদগী ককশাবী শাদুনা ওইহনখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

অচুম্বদু মীয়ামদা লূপ অসিনা খঙহন্নবা হোৎনবদা ৱাথোক অদু হেন্না চাওথোকহনখবনি। অসিগুম্বা কেঠৌলিক স্কুলগী হৌখিবা ফজদবা থৌদোক–ৱাথোক ময়াম লৈরিঙৈ চৈরক্তা অহল–লমনশিংনা মখোয়–মখোয়গী পীক্লিবা নুপীমচা মহৈরোই অহুমদা স্কুল অসিগী ফাদর অমনা ফজদবা মওংদা মশা শোকখিবা (মোলেষ্টেসন)তৌখ্রবরা হায়বগী চিংনবগী ৱাকৎ লাক্লিবা অসি লূপ অসিনা হকচিন্না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। কেঠৌলিক স্কুল,কাঞ্চিপুরনা হিরম অসিগী মতাংদা মীয়াম খঙনা নৎত্রগা লূপ অসিদা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা শেংদোক্কদবনি। করিগুম্বা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা শেংদোক্তবা থোক্লগদি অহল–লমনশিংনা শীরিবা মরাল অসি হেন্না চীংননিংঙাই ওইরে হায়না লৌবগা লোয়ননা মখা তানা লূপ অসিনা থিজিল্লগনি। হৌজিক কেঠৌলিক স্কুল,কাঞ্চিপুরদা শীরক্লিবা মরাল অসি য়াম্না অরুবা মরাল অমা ওইবনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা শেংদোক্তবা তারগদি লূপ অসিনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি।

নাকল অমরোমদা স্কুল ওঠোরিটিনা হিরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরিক চুম্বা ৱাফম অমা লূপ অসিদা খঙহল্লক্তবা থোক্লগদি লূপ অসিনা নম্ফু শীজিন্নরকপা থোক্লগদি মদুগী তেকচাক খূদিংমক স্কুল অসিগী ওঠোরিটিনা পুগদবনি। স্কুল অসিগা মুক্লবা অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা মতমদা য়ারিবমখৈ স্কুলগী মহৈরোইশিং শোক্তনবা হোৎনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল তুরেলদা লুপখিবা মীওই অমা শিনা ফংলে

ইম্ফাল, মে ১৫(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনা কোনবা য়াইরিপোক লৈরোংথেলদা চেল্লিবা থৌবাল তুরেলদা লৈঙোই কোৎপগী থবক শুবা থাংজম কুনজে, চহি ৪২ অপোকপা লৈখিদ্রবা লালা তুরেলদা লুপখিবদগী থিবা ফংদনা লৈরকখিবা অদু ঙসি অয়ুক শিনা ফংলে।

কুনজে ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা মহৌশাগুম তুরেল খোঙনুংদা লৈঙোই কোৎপগী থবক শুরম্বদগী ঈশিংদা লুপখিবনি। ঙরাংদগী হৌনা এন দি আর এফ, এস দি আর এফ অমসুং মণিপুর ফয়ার সার্ভিস থিবগী, মণিপুর পুলিস টিমশিং অমসুং খুঞ্জাশিংনা থিবা থবক চথদুনা লাকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মখা তানা থিবদা ঙরাং কুঞ্জেনা লুপখিবা মফম অদুদগী শুপ্নতগী মিটর ১০ রোমতমক চথরগা তুরেল ঈয়াইদা লৈবা কোমজাও অমদগী ফঙখিবনি। কোমজাও অদু হান্না ঈশিং ময়েং তারিঙৈদা মেছিন শীজিন্নদুনা লৈঙোইপেকখিবগী কোম ওইবা অমদি হৌজিক মপীথেল দাম ঈশিং থারকপনা ঈচেল–ঈরৈ কনবনা কোমদুগী লৈরাইদা চেনশিন্দুনা পন্দুনা লৈরম্বনি হায়রি।

ঙসি থৌদোক থোকফমদা মণিপুর লৈঙাক্কী এডুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম অমদি মরী লৈনবা লোইশঙগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা লাক্তুনা থিবা–হুম্বগী চথরিবা থবক অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা ইমুং–মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারখি হায়রি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী দি এস পি (ওপস),এস দি পি ও থৌবাল,নোংপোক সেকমাই পি এসকী ও সি অমসুং সি দি ও থৌবালগী টিম অমসু মফম অদুদা লাক্তুনা মীয়াম্না কুঞ্জে থিবগী থবক অদুদা মতেং পাঙখি হায়রি।

হেমাম অচৌবদা শেলগী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ মমিং চৎলবা পেনা শৈশকপা হেমাম অচৌ ইবুথৌ মৈত্রাও লাকপা পাখঙবা থৌগল লুপনা লিশিং ৫০ গী মনা পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখ্রে। মশাগী চহী ৭৯ শুরবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং মোইরাংথেম লৈবুজম লৈকাইদগী হেমাম অচৌনা ইং ১৯৯১ দগী হৌনা চৎলিবা চহী ২০১৯ ফাওবা চহী ২৮ রোম চুপ্না ইরোম মৈত্রাও লাকপা পাখঙবা ইপুথৌ পেনা থৌগল্লক্তুনা লাকপা অদুবু পুক্লিং থৌগৎলদুনা লুপা ফুদোংবা (সিলভর জুব্লি)গী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ইরোম মৈত্রাও লাকপা পাখঙবগী লাইবুংগী পেনা শকফমদা থৌগল লুপনা শেলগী মনা অদু পীখিবনি। ইপুথৌ চহীগী হরাওবা অমুক্তা পেনা শৈশকপনা পরিংদা নুমিৎ ১০ / ১৫ রোম ফমশকপনি। লুপা লিশিং ৫০ গী শেনফম য়াওবা মনা অদুদা সাইটেসন অমা অমসুং সাল অমা য়াওরি।

ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ মদরস দে ২০১৯ গা মরী লৈননা ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন সার্ভিসতা ‘ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প এন্দ কেম্পেন ২০১৯’ পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন অদু লাইফ সেভরস মণিপুর ঐচ দি এফ সি বেঙ্ক ইম্ফাল, সেন্ট জোন ফাউন্দেসন ইম্ফাল শিজ একাদমি ওফ নরসিং, শিজ পেরামেডিকেল রিছার্স একাদমিদা ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম অমদি শিজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্দফ্যুজন সার্ভিস লাঙ্গোলগা পুন্না খূৎশম্নদুনা চৎথখিবনি। ঙসিগী কেম্প অদুদা মীওই ৫৫ না ঈ পীখি।

অফবা পাম্বীগী অনৌবা চার কয়া পুথোক্লবা পোলিনেট য়েঙ্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী খঙগৎলবা লৌমী ৩২ দা শেঙ্থোক মরাং কাইনা থোকহন্নবা অফবা পাম্বীগী অনৌবা চার কয়া পুথোকপদা অচৌবা মতেং পাঙনবগী পান্দমদা পোলিনেট য়েঙ্থোকখ্রে। পিস এন্দ দিভলপমেন্ট কো–ওর্দিয়েসন কম্মিটি (পি দি সি সি)না শীন্দুনা কৈবী হৈক্রেক মপালদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা পি দি সি সিগী এদভাইজর এন রজেন্দ্রো এলাইজ বোইনা হায়, হৌজিক হেনগৎলক্লিবা মীগী মশীং অসিনা মরম ওইরগা লৌফমশিংগী ফৌ খক্তা থাবগী মতম ওইদ্রে। মরম অসিনা লৌফমশিং অসি তোঙান–তোঙানবা মতমদা মতম অদুগা চান্নবা মহৈ–মরোং থাবা মতম ওইরে। হায়রিবা মহৈ–মরোং অসিসু হেন্না চথোক লৈনবা অফবা চার মথৌ তারি। মরম অসিনা মহাক্লা শেনফম খুদিংমক পুথোক্তুনা য়েঙ্থোক্লিবা পোলিনেট অসিনা লৌমীশিংনা অচৌবা কান্নবা অমা ফঙবা ঙম্নগনি হায়খি। লৌমীশিংগী মায়কৈদগীসু মমাঙগী চহীৎশিংদা পোলিনেট অসি লৈতবনা নোংজু–নুংশাগী মতমদা অচৌবা চার পুথোক্লবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোং চাদবা কয়া অদু কোকলগনি হায়না মখাতানা ফোঙদোরকখি।

নুপী ময়ূম অমদি নুপী মশানা থল্লক্লিবা ৱাফম হেঞ্জিনবনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ ঙরাং তোঙান–তোঙানবা প্রেস মেদিয়াগী খুথাংদা থা অনী চেন্দুনা বেঙ্গোলোরদা লৈমিন্নরুরবা মতুং লৌশিনবিদ্রে হায়না নুপী ময়ূম অমদি নুপী মশানা ফোঙদোক্লক্লিবা ৱাফম অসি অরানবনি হায়না লাংঙথেল কৈথেল মচাদগী শাগোলশেম চিতারঞ্জননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি। মহাক্লা মখাতানা হায়, থোক্লিবা থৌদোক অসি মহাক্কী ইমুং অমদি মহাক্লা মাবু লৌশিনখিদবা লৈতে। লুহোংনবা হায়দুনা মতম লেপ্পলবা মতমদা নুপী ময়ূম্না নুপী ফোরম অমদা তাক্লবদগী থোক্লকপনি। নুপী ফোরম্না কৌরগা ৱারী শান্নবদা নুপী মশানা লৈবা ঙম্মরোই হায়রকপদগী পৈশাগী ৱারী লাকখিবনি। অদুসু নুপী ময়ূম্না লাক্ষ ৫০ পীয়ু হায়রকপদা অদুদি ঙম্লোই লাক্ষ ২ পীগে হায়খিবনি। বেঙ্গোলোরদা চেনখিবা অদুসু নুপী মশানা পৈশা পুথোক্লগা চেনথিবনি। নমদুনা থেম্মগা চেনখিবা নৎতে। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম্না মুন্না থিগৎপিদুনা মহাক্লা লাল্লম্নসু চৈরাক পীবিয়ু অমদি নুপী মশানা লাল্লম্নবসু চপ–মান্নবা চৈরাক পীবিয়ু হায়খি।

বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ মপিথেল দাম অফেক্টে ভিলেজরস হেদমেন্দ / চীফ এন্দ এলদর ওর্গনাইজেসন অমদি মপিথেল দামগী ময়োক্তা শেমখিবা জে এ সিনা তোঙান–তোঙানবা দিমান্দ কয়া তান্দুনা লম্বী বন্দ মতম কক্তনা তৌরগনি হায়না লাওথোকখিবা অদু ঙসি এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রধেশ্যামগা উন্দুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ইম্ফালদা লাকপগা উন্নবা শিল্লক্লে হায়না থাজবা পীরকপদগী ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী বন্দ তৌগনি তৌরম্বা বন্দ অদু মতম কক্তনা হন্দোক্লে হায়না মপিথেল দাম অফেক্টে ভিলেজরস হেমমেন্দ / চীফ এন্দ এলদর ওর্গনাইজেসনগী চীয়ারমেন্ট এ এস সোলোন্না ঙসি নুমিদাং ৱাইরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা পীরক্লিবা থাজবা অসি থবক্তা ওম্থোরক্লবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি। মফৌ দাম্না শোকহল্লবা ইমুংশিংগী রি সেটলমেন্দ পীবিয়ু হায়বনচিংবা দিমান্দ কয়া তানবসিদা মতেং পাঙবিরকখিবা সিভিল সোসাইটিশিং ইকাই খুম্নবা উৎখি হায়খি।

‘কোওপরেট রেস্পোন্সিবিলিটি স্কিমগী মখাদা লেম্না লায়েংলগনি’

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ শেল লৈজদবা অমদি লায়েংবা ঙমদ্রবা মীওইশিংগীদমক ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টরগী মখাদা লিংখৎখিবা কোওপরেট রেস্পোন্সিবিলিটি স্কিম মখাদা লেম্না লায়েংলগনি হায়না হোস্পিটাল অসিগী মেনেজিং দাইরেক্টর সলাম মাইপাকনা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি হোস্পিটাল অসিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ডাক্টর সি মঙলেমনা মখাতানা হায়, কোওপরেট স্কিম অসি হৌখিবা চহী ৩ গী মমাঙদগী হোস্পিটাল অসিনা লমদম অসিগী লৈতা–লায়রবা মীওইশিংগী লায়েংনবগীদমক্তা লিংখৎখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা ঙসি ফাওবা তোঙান–তোঙানবা মীওই ২ দা কান্নবা পীখ্রে। লোয়ননা মখা চথরকপা ওইনা চুরাচানপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাইরমকোল দোলেনকোলদগী মশাগী চহী ৩৭ শুরবী নুপী অমসু হোস্পিটাল অসিদা লেম্না ওপরেসন তৌরগনি হায়না হায়খি।

ট্রাফিক রুলসগী মতাংদা এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা লম্বীশিংদা এক্সিদেন্টনা চিংবা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্নবগীদমক লোট্রি ক্লব সিটি ইম্ফাল অমসি ট্রাফিক পুলিসকা খূৎশম্নদুনা ট্রাফিক সিগনেল অমদি ট্রাফিক রুলগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস অমা পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল সিটিগী তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস অদুদা শরুক য়াখিবা ট্রাফিক পুলিসকী দি এস পি বিনোইকুমারনা হায়, লমদম অসিদা ট্রাফিক রুল খঙদনা গারী থৌবদগী থোক হন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদগী কন্নবা পান্দমদা এৱার্নেসশিং অসি পাঙথোকপনি। এৱার্নেস অসিগা মরী লৈননা ট্রাফিক রুল থুগায়দুনা গারী থৌরকপা অঙম অথৌশিং য়াওনা মীওইশিং ফাবগা লোয়ননা ফাইন থিহনখি।

রিমস এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী …

লমায় ১গী মখা

পর্পজগী ওইনা শাংদোকপা হায়নসু য়ানখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার শ্রীমতি প্রিটি সুদান্না রিমসকী দিরেক্টর, ওফিসিয়েলশিং, ফেকল্টি মেম্বর অমসুং ষ্টাফশিংনা তৌরিবা থবক কয়া শীংথাবগা লোয়ননা নেস্নেল ইন্সটিট্যুস্নেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক (এন আই আর এফ)কী মখাদা মেদিকেল কেটোগোরিদা রিমসনা ২৮ শুবা রেঙ্ক তারকপদা অপেনবা অমসুং শকখঙ চে রিমসকী ডাইরেক্টরদা এ সান্তদা খুৎশিন্নখি। ঙসি পাঙথোকখিবা এগজি–ক্যুটিভ কাউন্সিল মিটিং অদুদা নোর্থ ইষ্টন কাউন্সিলগী সেক্রেটরী রাম মুইভা, ভারত সরকারগী দাইরেক্টর জেনরেল হেলথ সার্ভিসেস, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্ট্রিগী এদিস্নেল সেক্রেটরী অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরী অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা গো টু স্কুল মিসন অরেম্বা…

লমায় ১গী মখা

তোলোপ ওইনা থা অমদা লুপা ৪২,০০০ চৎলি হায়না স্কুল অদুগী মেনেজমেন্ট কম্মিটি গী কনভেনর লোইতোংবম অমারজিৎ না ফোঙদোরকখি। হায়রিবা স্কুল অসিদা টোলেটকী খুদোংচাবা লৈরমদে। স্কুল অসিগী ওইবা ওঝা, মহৈরোই নুপা, নুপীগী কস্মন ওইবা জিঙ্গানা খাবা মপান থোকফম অমখক লৈবা থেংনরকখি।

নাকল অমরোমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংঙু অহল্লুপতা লৈবা ৱাংঙু হায়র সেকেন্দরী স্কুল অসিসু অৱাৎপনা পিক থল্লমখি। স্কুল অসিদা ক্লাস ৬তগী ১২ ফাওবগী পুন্না মহৈরোই ৫৩৫ লৈরমখি। মসিগী মনুংদা ক্লাস ১১, ১২ মহৈরোই ২৩ নি। ই হায়র সেকেন্দরী লেভেলগী ওইনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট ১১ হাংবগী মনুংদা সবজেক্ট অদুমখক্কী লেকচর ৪ খক লৈরম্বা থেংনরকখি।

লোয়ননা স্কুল অসিগী ওঝা ৱাৎপনা মরম ওইরগা অতোপ্পা ওঝা ৭ নেক্তুনা স্কুল অসি চল্লাইনবা হোৎনরমখি। হায়রিবা ওঝা ৭ অসিগীসু লৈকাই মীয়াম অমদি লোকেল এল এম এ না মখোয়গী থা তোলোপ ওইনা অপীকপা শেনফম খরা খরা পী হায়না স্কুলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি। মখা তানা স্কুল অসিদা থক্লবা ঈশিং, মতিকচাবা ক্লাস, তোইলেট, লাইব্রেরি, লেবোরেটোরিগী খুদোংচাবশিং লৈরমদবা দেসাম অমদি পাউমীশিংনা থেংনরকখি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা দেসাম গী সেক্রেটরী জেনরেল, সিটল ওইনামনা ফোঙদোকখিবদা, দেসাম না মতম শাংনা এদুকেসনদা মীৎয়েং চঙদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা স্কুলশিংদা স্কুলশিং অসিগী ফিভম করম্বা মওংদা লৈরি, হায়বসি য়েংশিন্নবা সর্ভে লাকপনি। ঙসিগী সর্ভে অসিদা চাইরেন মখা লৈকাইদা লৈবা চাইরেন জুনিয়র হায়স্কুল অসি ওঝা অমত্তা লাক্লমদবগা লোয়ননা স্কুল থোং লোনদুনা লৈরম্বা থেংনরকখি। লৈকাই মীয়াম উদ্রদুনা ৱারী শাবা মতমদা ঙরাংসি জেৎ ই ও গী মী খরা লাক্লস্মী হায়বগী পাউ ফংই।

মরী লৈনবা ওথোরিটি জেৎ ই ও গুম্বা লাক্লগনা স্কুল কাবা লাক্তগনা ওঝাশিং স্কুল কাদবগী ফিভম অমদা স্কুল অসি চল্লাইরব্রা হায়বগী চীংনবা লৈরে। স্কুল অসিদা তন্নিবা মহৈরোইশিং থোঙ লোনবনা মরম ওইরগা অমতা লাক্ত্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, ৱাংঙু লাইফম অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসিবু ওঝা অহুমখক লৈরগা লৈকাইগী ওঝা নেক্লগা স্কুল অসি চল্লাইরম্বা থেংনরকখ। মহৈরোই অসুক য়াম্না লৈবা স্কুল অসিদা মতৌ করম্না লৈঙাক্লা ওঝা অহুমখক পীরগা ঙসিফাওবা স্কুল অসি চল্লাইহল্লিবনো হায়বসি দেসাম গী ৱাহংনি। মখা তানা ৱাংঙু হায়র সেকেন্দরী স্কুল অসিদসু মহৈরোই অতিক চাবা লৈবা থেংনৈ। অদুবু স্কুল অসিদসু ওঝা ৱাৎপা, হায়র সেকেন্দরী অমা ওইবগী মতিক চাবা ইনফ্রক্টচর ৱাৎপা থেংনরকখি। হায়রিবা অৱাৎপা ময়াম অসি কনানা য়েংশিনবীগদৌরিবনো হায়বসি ৱাহং ওইরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা এদুকেসনবু হেন্না চাওখৎহন্নবা গো টু স্কুল হায়বা মিসন ফাওবা হৌদোক্লি। অদুবু য়াম্না মনুং হঞ্জিনবা মফমসু নত্তবা স্কুলশিং অসিদা লৈরল্লিবা ফিভম অসিনা লৈঙাক্কী গো টু স্কুল সিমসন অসি অরেম্বা তারে। মসি প্রেস মেদিয়াদা পঙলাও লাওবনি হায়না দেসাম না লৌই। অমসুং গো টু স্কুল মিসনগী অশেংবা পান্দম অসি করিনো হায়বসি লৈঙাক্তা হংলি। মেদিয়াদা পঙলাউ লাউবগী মহুত্তা স্কুলশিং অসিদা ৱাংলিবা ওঝাশিং অমদি ইনফ্রক্টচর পীবীদুনা মহৈরোইশিং অমদি ওঝাশিংগী অৱাবাদা পুক্লিং চঙবনা হেন্না ফগনি খল্লি। করিগুম্বা অৱাৎপশিং অসি লৈঙাক্লা অদুমক পীদনা লৈরগদি অৱাৎ অপাশিং অসিগী মরমদা অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্কনি খল্লি।

ঙসিদগী হৌদুনা মণিপুরগী মফম খুদিংদা লৈরিবা স্কুলগী ফিভমশিং অমদি মহৈরোইশিংবু মতৌ করম্না তাকপী তম্বীগনি হায়বসি মাস রিফোর্মিষ্ট কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা য়েংশিনখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।